# ঐসিবু কনানো? কদাইদগী লাকপনো?

ৱারেংসিগী মিংথোল ওইনা শীজিন্নরিবা 'ঐ' - মিংথোল অসি লৌরগা, মণিপুর (ইম্ফাল) গী মফম অমদা চঙজফম লৌরগা লৈরিবা মীশক অদু নৎচদে। ঐগুম্বা তোঙান তোঙানবা মফমদা, তোঙান তোঙানবা মিং অমমম থোন্দুনা মীতৈনি, নাগানি, পাঙলনি, কুকিনি হায়জরিবা মখোয় পূম্নমক্তুগী অসুপ্পা মশক অমা ওইনা শীজিন্নজবা ৱাহৈ অমনি। ৱারেংসিদা মখা তানা ইজরক্কদৌরিবা ৱাহৈ পূম্নমক ইরন্নাইগী ওইবা ৱাফম অমত্তা নত্তে।

চীংমী অমসুং তম্মী হায়রগা শুপচিন্না খঙনবা মী মখল অনীখক্কি মণিপুরদা খুন্দারিবা। ঙল্লিঙৈ মতমদা হাও অমসুং মীতৈ হায়না খঙনরম্মী। মতমগী য়াওলদা হোংলকপা ৱাখল্লোন অসিনা 'হাও' হায়বা ৱাহৈ অসি কাঙলূপ অমবু হন্থনা য়েংবগী মওংদা, 'দিরোগেটরি' ওইবা ৱাহৈ অমনি হায়না খন্নরকপদগী ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা তপ্না তপ্না তোক্লরকখি। তশেংবদি, অরিবা মতমগী মণিপুরগী পুৱারীদা য়াওবা, কৌব্রু চীংদোল'দা খুন্দারম্বা 'লৈ-হাও' কৌবা মীশক অমগী চাদা-নাউদা (ফুরুপ) অমা ওইনা খঙনরম্বদগী লৈ হায়বদু লৌথোকখ্রগা 'হাও' হায়বদু লৌহৌবা ওইরম্বসু য়াই। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না লমদমসিদা খুন্দাদুনা লৈরম্বা, অহানবা খুন থোকপা নুপা, মীতৈশিংগী অহানবা মপা-মপুদুগী মমিং পোইরৈতোন কৌই (পোইরৈতোন খুন্থোক)। মফমদুদা থুংলবা (কদায়দগী থুংলবনো হায়বদুদি তাক্লমদে) পাখঙবা অমদি মাগী খোঙলোয়শিং অদুবু পোইরৈতোন'না, অতোপ্পা মী (মী + অতৈ) নি হায়দুনা 'মীতৈ' মিংথোল পীখিবনি হায়বসিসু ৱাগী ৱাখুন অমনি। কাইনথংদা পাখংবনা পোইরৈতোনগী মচন্নুপী 'লৈস্না' বু লুহোংদুনা লৌরগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী চাদা নাউদাশিং, ফুরুপ অদুবু মীতৈ হায়না খঙনখি। পোইরৈতোনগী লমনি হায়দুনা 'পোইরৈ লমদম' কৌরম্বা, মমৈথংদা 'মীতৈ লৈবাক', মীতৈ লৈবাক'তগী থৈথরক্তুনা 'মৈত্রবাক' হায়না খঙনখি।

অচুম-অরানগী ৱাদুদি, ৱারীশিংসি পাবীরিবা অখঙ অহৈ ময়ামগী কোক্তুনা খন্থজরসনু। মীতৈ হায়বসি কনানো? নাগা হায়বসিনা করম্বনো? কদাইদগী লাকপনো? কৈদৌঙৈ করম্না থুংলখিবনো? চপ চাবা খুদম চাংদম, ফুল-প্রুফ ইভিদেন্স অমগা লোয়ননা কনানসু হায়বা ঙমদে। ইনরিবা ৱারী পূম্নমক 'হাইপোথেসিস' (চপ চাবা প্রমান ফংদ্রিবা, য়েৎননীংঙাই ওইবা ৱা) ঙাক্তনি। ইতিহাস নৈনবা হিষ্টরিয়ান কয়ানা ঙসিসু নৈনবা লেপ্তুরি। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী ইতিহাস ইবসি 'নোংদা লাইরেন পাখংব'না ফম্বাল তোংবা চহী, জিসস খ্রাইষ্ট শিখ্রবা মতুং ৩৩শুবদগী হৌই। অতোপ্পা ইতিহাসকার খরনদি মণিপুরগী ইতিহাস, খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ চহী ১৪০৫দগী হৌখ্রে হায়। পি ললিত'না ইবা ' এ ব্রিফ হিষ্টরি ওফ মণিপুর' গী মতুংইন্না ময়ায় থংবা চিনাগী শরুক্তা পাল্লম্বা 'তাং-সাং' দাইনেষ্টি (১৫২০-১০২৭), খৃ: মমাঙ) গী মীওই খরা মণিপুরদা লাক্তুনা কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা 'লৈ-হাও' ফুরুপকী মীওইশিংগা পূন্না খুন্দামিন্নখি।

কাঙলূপ্তুগী লুচিংবা অদুনা 'লৈ-হাও' শিংগী লুচিংবগী মচানুপী 'শিনবী-লৈম'বু লুহোংদুনা লৌখি (খৃ: মমাঙ ১৪৪৫)। লীনবু লাইগুম লাৎচবা কাঙলূপনি, 'তাংজ-লীল-পাখংবা' হায়বা মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ওইনা পাল্লকখি। খৃ: মমাঙ ১৪০৫ ফালবা পাল্লম্মী। মাগী তালোয়' 'শিনবী লৈম' না 'কাংবা' কৌবা মপারী অমা পোকখি। 'কাংবা' না নিংথৌ ওইবা চহীদুদগী মীতৈ নিংথৌরোল (মীতৈ কিংদম) গী অহৌবনি। ৱারীসিবুসু ঐখোয়না হুন্দোক-খন্দোক য়াদবগী মরম লৈ। 'তাং-শাং' কৌবা হঙোই অমগী মমিং করম্না থোনখিবা? পাখঙবগী শক্তম্বু 'তাং-জ-লীন'গী মথেক নাইবা শক্লোন ওইনা করম' ঈরাৎনরল্লিবা? ৱাহংসিগী পাউখুম ৱারীসিদগী ফংগুম তৌরকই।

অতোপ্পা ৱারী অমগী ৱাগী ৱাখুন ওইরিবা পোইরৈতোন অমদি মাগী তালোয় লৈমা লৈনাওতাবী অনীনা মণিপুরদা লাকখিবা, খৃ: মমাঙ ৩৪-১৮ অদুৱাইদনি। 'চীংখোং পোইরৈতোন' - চিনা, বর্মা, তিবেট অহুমগী লোন্নবদা লৈবা 'খমতিলোং' কৌবা লম অদুদগী লাকখিবনি। হান্না উখুলদা থুংলগা, ঈশিংগী অৱাবা লৈবা মফমসিদা খুন থোকপা খুদোংচারোই খন্দুনা মথং মথং চঙশিল্লক্তুনা কংলাতোংবী য়ৌরকপদা পাক চাওরবা থেল অমদি ঈশিং মরাং কায়বদুগী য়েংলগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী মমিং লৌরগা পোইরৈ-লম মিংথোনখি। হান্না খুন্দারল্লবা 'তাং-শাং' ফুরুপকী মীওইশিংগা চারৌ-মৌরৌনদুনা পাক্লা-শন্না খুন্থোক্লকখি। পোইরৈ-লমগী মীশিংবু 'পোইরৈ-মীতৈ' মিংথোনখি।

শোয়বা নাইদবা, চেনবা য়াদবা ইভিদেন্স ময়ামদা শাগৎপা নত্তবা চীন্থাং ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারীশিংদুই মনুংদা লৌখৎপা য়াবা, থাজবা য়াবা অম'নীদং লৌখত্তুনা ৱারেংসিদা ইথোকচবনি। ঐখোয়সিবু কনানো? কদাইদগী লাকপনো? কনাগী চাদা নাওদানো? চপ চাবা অমত্তং খঙনীংই। হায়নৈদনা - অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি। ঐগী অহানবা হৌরকফমদু ঐহাক্কীদি ঈশ্বরনি। ৱাফম অসি থাজবা ঐহাকখক্তা নত্তে, তাইবঙ মীওই পূম্নমকনি। অদুনবু হায়নরিবনি - শেন্বীবা মপু মহাক্তু পূম্নমক্কী ঈশ্বরনি।

অসুম্না অরিবা মতমগী, এনসিয়েন্ট হিষ্টরি নৈনরুবদা মফম অমত্তদা থেংনরোই 'নাগা' কৌবা মীওই ফুরুপ অমত্তগী হৌরক ৱারী। তাংখুল, কবুই, মাও, মরাম, মরিং, চোথে, কোম, পাইতে, সিমতে, মার ... ফুরুপ মচা মচাশিংগীসু হৌরকফম ৱারী লৈগনি - কদায়দগী লাকপনো? কৈদৌঙৈ 'সিদা থুংলবনো? হান্না লাকপা, কোন্না লাকপা হায়বদুনা অমনি, ঐখোয় পূম্নমক অতোপ্পা মফমদগী লাকখিবা ঙাক্তনি হায়বসিমদি ৱারী শীংবুল কয়াসিনা তাকই। পাঙল হায়না খঙনবা, লাইনীং লন্বী অমদা (ইসলাম) য়ূম্ফম ওইরগা ফুরুপ অমা শেমখিবা মখোয়গীদি নাখৈ শেংই- কদায়দগী কমদৌনা, কৈদৌঙৈ থুংলখিবনো?

ইজরিবা ৱারেংসিগী পান্দম - মীতৈ, নাগা, কুকি, পাঙলশিংগী হৌরকফম তাকপা ৱারীশিংদু নৌনা অমুক ইথোক্লগা মীয়ামদা পাউদমজবা অদু নত্তে। ঙসিগী অচৌবা পোলিটিকল ইস্যু অমা ওইরক্লবা নাগা আইদেন্টিটি, কুকি আইদেন্টিটি, মখোয়গী মপা মপুগী লম, হোমলেন্দ তোখায়না তানগনি হায়বগুম্বা, মীতৈশিংগী মায়োক্তা অপান্ননা ঈহৌ অমা হৌবা মানবা থবক থৌওং অমা চত্থরকপসিদা অসিগুম্বা ৱারীসি ঐখোয় খঙফম থোক্তবরা? হায়বগুম্বা ৱাখল অমা ফাওরক্তুনা ইরুবনি। হায়নবা লৈ - 'অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি'... 'নশাবু মীনা ইকায়খুম্নহন্নীংলবা, মীবুসু ইকায়খুম্নবা তম্মু'...।

মতম চূপ্পদা মীতৈশিংনা মীতৈ নেসনেলিজমগী ৱা ঙাঙখিদে। হোয়, মণিপুরী নেসনেলিজমগী ৱাদি হায় - মণিপুর কৌবা নেসন অমা লৈরম্মী, তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শাগৎপা, মশাগী তোপ তোপ্পা আইদেন্টিটি অমা লৈজবা। চহী লিশীং কয়াদগী অমনা অমবু ইকায়খুম্ননা লৈমীন্নরকই। ৱারীদুগী ৱাহৌদুনি ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা পঞ্জিখ্রিবা। মতমগী অহোংবা কয়াসিনা ৱাখলদা অহোংবা লাকহল্লি, 'নাগা' কৌবা অনৌবা মিংথোল অমা বৃটিশশিংনা শেম্লম্বদু লৌরগা ফুরুপ মচা মচা কয়া অসাম, অরুনাচল, মণিপুর, নাগালেন্দ'দা লৈরম্বশিং ছাতিন অমনা কুপ্পগুম কুপশিন্দুনা থম্নবা 'পোলিটিকেল মুভ' অমা ১৯শুবা চহীচাগী অথেংবা, ২০শুবা চহীচাগী অঙনবদগী থাংলকখি। লীশাং শিৎপা ঈহৌদুগী মহয়নি 'নাগা নেসনেলিজম'। নাগা নেসনেলিজমগী পাউখুমনি - 'কুকি নেসনেলিজম'। অনীমক্কী হৌফমনি - 'মণিপুরী নেসনেলিজম'। মণিপুরী নেসনেলিজম - মীতৈশিংগী ৱাখল মমিনি।

ঐখোয় অমত্তনি, ঐখোয়গী হৌরকফম অমত্তনি, ইমা অমত্তগী মচানি হায়বসিদা থাজবা কাঙলূপ অমগা, অপূনবই খোল্লাউ লাউবসি পাঙদবগী লীচৎনি, অশোনবনা মীচং খোম্বনি হায়বসিদা থাজবা কাঙলূপ অমগা- মান্নদবা ৱাখল অনী মুক্লবগী মহয়নি - মচেৎ তারবা নেসনেলিজম। ঐ কনানো? কদাইদগী লাকপনো? লাকপা কয়াম কুইরবা? পূম্নমকসি খঙমিন্নদনা অমত্তা ওইবই ৱাখল্লোন কদাইদইনো পোক্তৌ'বা! ঐখোয়তগী ৱা নত্তে, মুন্না থিজিল্লুরবা, এসিয়ন-রুসিয়ন-অমেরিকান- হৌফম অমত্তা ওইরম্মি। খ্বাইদই নৌবা সাইন্টিফিক থিওরি মতুংইন্না - মীওইবা কৌবা ফুরুপসিগী হৌরকফম, অফ্রিকা কৌবা লমসিনি, অফ্রিকান জাতি অসিনা মীওইবগী অহানবা মপুথৌ-পুরেন অদুনি। ৱাফম অসি য়ানীংব্রা? য়াবা য়াদবা হায়'দুনা অদোমগী লন্নাই ৱাখলনি। সাইন্টিফিক এক্সপরিমেন্ট'না হায়বনি - অমেরিকান, অষ্ট্রেলিয়ন, চাইনিজ, ইন্দিয়ন, য়ুরোপিয়ন- পূম্নমক্কী হৌরকফমনি অফ্রিকা।

*—ইন্দ্রকুমার*

# উচেক লাংমৈ ওনবা

থায়না মমাঙঙৈদা মমা পোক্তবীনা য়োকপা নুপামচা অমখক লৈরম্মী। মপানা খুল্লান্না লল্লোন ইতিক চৎখিঙৈদা মমা পোক্তবীনা নুপামচা অদুবু য়াম্না থীনা তৌবী। পীক্লিবা নুপামচা অদুবু চীংদা শীং চনবা চৎহল্লি, মীগী খুৎলং চৎহল্লি। নুপামচা অদুনসু মমা পোক্তবীবু কিজবনা মানা তৌ তৌ হায়বা থবক অদু কায়দনা তৌই। চাবা মবুক থন্না চাবা ফংদে, শেৎপসু মনীং থুংনা শেৎপা ঙমদে, নোংমতা মমান্নবশিংগা লোয়ননা শান্নবা ফংদে, হরাও কুম্মৈ য়েংদে। নোংমদি মহাক মীগী পামলৌদা খুলং চৎলু হায়দুনা মাগী চানবা মমা পোক্তবীনা য়োম্বা চয়োম অদু পুরগা খুলং চৎলি। মহাক্না থবক ৱানা শুরুরগা উরুমদা পোত্থাদুনা চয়োম চাগে হাংদোকউবদা চাক অদু উচি মথি, ফকচেৎ ঙাক্তা তোৎশিনবা ওইরল্লে। মদু উবদা মথৱায় নুংঙাইত্রবসু অরাম খৌরাংবা কোক্লবা মহাক্না উচি মথি, ফকচেৎ ময়াম অদু খন্দোক্লগা চাবা হৌরকই। চানা চানা মথৱায় নুংঙাইতবনা মমিৎতগী মপি শিন্থরম্মী। মাগী মতৌ অদু উবদা মনাক্তা চয়োম থোক্তুনা চারিবা মাগা লুনা তিন্নবা মাগী মতাও অদুনা "ইতাও নহাক কপলিব্রা? হংলক্লে। মতাওগী ৱাদু তাবদা ইকায়দুনা "ইতাও কপ্পা নত্তে। মীৎতা খূৎচামগী ঈশিং চোংখিবনি" হায়না মপি তৈথোকই। মতাওগী ৱাদু মীনম্বনি খঙলবসু নুমিৎ অদু ৱা মখা তানা হংখিদ্রে। মহাক্কী চয়োম অদু চামিন্নসি হায়বসু মানা য়াখিদে। নুপামচা অদুনা থবক লোইরদুনা ময়ূমদা হল্লক্লগা মমাদা চাকয়োম অদু উচি মথি, ফকচেৎ ঙাক্তা ঙাইদুনা চাবা য়াদে হায়জরুরে। মাগী ৱাদু তাবদা মমা পোক্তবী অদু শাউবনা মৈ হৌখ্রে। "ঐনা চারিবসু অদুগুম্বা চাকনি। নথিবোং চাবদি হাউই-হাউতে থিবা শাই" হায়দুনা নুপামচা অদুবু চৈবীরম্মী। মমা পোক্তবীগী মীচৈ অদু তাবদা মথৱায় শোক্তুনা নুপামচানা শিখ্রবী মমাবু কৌরগা তেংথাদুনা কপ্লকই। শিখ্রবা মমাবু কৌদুনা কপ্পী হায়দুনা নুপামচা অদুবু ফূবিরম্মী। মমা কিবদগী মহাক মখা তানা অমুক কপখিদ্রে। নুমিদাংদি চাক চাদনা মথৱায় নুংঙাইতনা ফমুংদা কাখৎতুনা তূমখ্রে।

নোংঙাল্লগা মহাক চয়োম পুদুনা মীগী পামলৌদা খূৎলং শুবা লাক্লম্মী। মহাক্না নুংশা মরক্তা থবক ৱানা শুরুরগা মবুক লামদুনা মমা পোক্তবীনা য়োল্লকপা চয়োম অদু চাগদবগী হাংদোকউবদা উৎ ৱাই ঙাক্তা তোৎশিন্দুনা লৈরম্বদু থেংনরে। ঙরাংদি উচি মথি, ফক মচেৎ তোৎশিনবনিনা খন্দোক্তুনা খরবু মখৈদি চাবা য়াই। ঙসিদি উৎ-ৱাই তোৎশিনবনিনা খঙে দাক্তুনা চাবা য়াদ্রবদা শাউনীংদুনা চয়োম অদু অমুক য়োমশিল্লগা লাপ্না হুন্দোকখ্রে। অদুদগী অমুক য়ু থক্কে খল্লদুনা তুম্বা থাঙ্গৎলুবদা য়ুগী মহুত্তা খোইমপী ঙাক্তা হানজিন্দুনা থম্বীরল্লে। মানা মদুসু হুন্দোকখ্রে। মহাক নুমিৎ অদু করিমত্তা চা-থক্ত্রে। অরাম খৌরাংবনদি খাংবা ঙল্লক্ত্রদুনা লৌবুক্তা কুম্লগা অনৈবা ঈশিং অদু খুজোক খুজোক থকপা হৌরক্লে। মাগী মতৌ অদু উবদা মতাওনা চঙশিল্লক্তুনা মাগী মখূৎজেং পায়দুনা চীংদুনা পুখ্রগা মাগী চয়োম অদু হাংদোক্তুনা মখোয় অনী চামিন্নরে। চয়োম চাবা লোইরগা নুপামচা অদুনা "ইতাউ! ঐ ঙসিদি য়ূমদা হল্লরোই। চাবা থকপা ফংদনা থৱায় অসুক নুংঙাইতনা হিংদুনা লৈগদবগী শরুকপুদি ঐহাক উচেক লাংমৈ ওনখ্রগে। উচেক লাংমৈ শঙ্গুগী মরক্তা তিল্লগা চানীংবা চারুরগে"। ঐনা পাইবা য়ানবা ইতাওনা ঐগী ইশা ইমৈ খরা শেন্বীয়ু। মতাওগী ৱাদু তাবদা মহাক মমিৎতগী মপি তাখিবা খঙহৌদে, তৌগনু ফত্তে উচেক লাংমৈ ওনবা হৌনদে হায়না হন্না হন্না খাম্বদা য়াদ্রে। খাম্বা য়ারক্ত্রবদা মখোয় অনী উচেক লাংমৈ শঙ্গুনা চাকতাফম তান্না লাক্লগা উচেক মতু ময়াম খুল্লে। অদুদগী মতাওনা পাইবা য়ানবা মখূৎ অনীদা উচেক মতু ময়াম ফাজিন্দুনা মশা অনী শেন্বীরে, মমৈ পানবীরে। শেন্বা লোইরবদা উচেক লাংমৈ ওল্লিবা মতাও অদু চৎলগে হায়রক্লে। মহাক্কী নুংশিরবা মতাও অদু চৎখ্রবদি অমুক হন্না উন্নবা ফংলরোই খল্লদুনা মহাক মতাওগী মফমদা মীনম্বা ঙাঙদুনা শেন্বা লোইদ্রি, পাইবা য়াখিরোই হায়দুনা মতাওবু খামখি। মহাক্না উচেক মতু অমা লৌথোক, অমা অমুক হাপচিন তৌদুনা শেমজিনবদা নুমিৎ হুমনি শুদোকখ্রে। হুমনি শুবা নুমিৎতদি লাইগী নোংদমদগী মতাও অদু থাঙ্গেশেংবা উচেক লাংমৈ ওন্দুনা পাইবা ঙল্লে। উচেক লাংমৈ ওল্লিবা মতাওবু য়েংলগা "ইতাও! নহাক হৌজিক্তি পাইবা ঙল্লনি। নহাক্না উচেক লাংমৈ ওন্দুনা পাইখ্রবদি ঐখোয় অনী অমুক হন্না উনবা ফংলরোইদো। নহাক লৈত্রবদি ঐনা কনাদা ইতাও হায়না কৌগনি। ঐ কনাগা চৎমিন্নগনি, কনাগা ৱারী শানমিন্নগনি"। অসি হায়রম্লগা উচেক লাংমৈ ওল্লিবা মতাওবু কোন্দুনা মহাক মখোল থোক্লা কপ্লক্লে। মখোয় অনী কোন্নদুনা ঙহাক কপমিন্নরগা লামৈ ওল্লিবা মতাওনা কপ্লগনু তোক্লো ইতাও নহাক্না কপ্তুনা লৈরবদি ঐ চৎপা ঙল্লরোই। ঐ নুমিৎ খুদিংগী নহাক্কী চানবা অহাওবা উহৈ অমমম পুরক্তুনা নহাক্কী ননাক্তা লাক্কনি। মরক মরক্তা খোংনাং পান্বী অসিদা পাইরক্তুনা তোংলগে, ঐখোয় অনী উন্নসি নুংঙাইনা ৱারী শামিন্নসি।" অসুম্না পুকমেন পাউমেন্নরল্লগা উচেক লাংমৈ ওল্লিবা মতাও অদু পাইখ্রে। মানা চৎতুনা মমা পোক্তবীগী মফমদা মতাওদি উচেক লাংমৈ ওনখ্রে তম্মুরে। মচানা উচেক লাংমৈ লনখ্রে পাউদু তাবদা মমা পোক্তবী অদু মীগী মীমাঙদা ফজদে খন্দুনা কপনীংদনা কপশিন্নখি।

নোংঙাল্লগা চাকঙন চাদুনা মহাক খোংনাং পান্বী অদুগী মখোংদা ফমদুনা মতাও লাংমৈ পাইরকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঙহাক লৈরগা লাংমৈ ওনখিবা মতাওদু পাইরক্তুনা খোংনাং পান্বী অদুগী উশাদা তোংলরে। মহাক্না মতাওগীদমক্তা হেক্তুনা পুরকপা অমুনবা উহৈ অদু পুথোক্তুনা মখোয় অনী চামিন্নরে, নুংঙাইনা ৱারী শানরে। অদুদগী উচেক শঙ্গু পাইরকপগী মখোল তাবদা ইতাও, ঐ চৎলগে হায়রল্লগা লাংমৈ ওল্লিবা মতাও অদু উচেক লাংমৈ শঙ্গুগী মতুং ইন্নখি। অসুম্না মরক মরক্তা মখোয় অনী খোংনাং পান্বী অদুদা লাক লাক্তুনা উন্নরম্মী। নোংমদি লাংমৈ ওনবা মতাওদা "ইতাও! ঐখোয় অনীনা মফম অসিদা উন্নবসি তোক্লসি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী খেলহোংবা মতমদা ইতাওসু লাকউ মদুদা ঐখোয় অনী উন্নসি"। অসুম্না পাওমেন্নরগা লাংমৈ ওল্লিবা মতাওসু পাইখরে, মহাকসু ময়ূমদা হনখ্রে।

শিখ্রবা মপা মপুশিংগী খেলহোংবা মতম ওইরক্লদুনা খুলগী অহল লমন, পাখং লৈশাবী, অঙাংনুবী পূম্নমক থোক্তুনা অহাউ অহাউবা থোং থাক্তুনা জগোয় শারে, ঈশৈ শক্লরে, অহল লমননা কুম্মৈ য়েংনরে, অঙাংনুবীনা চেন চোংদুনা শান্নরে। অসুম্না খুল হৌনা হরাওনরিঙৈ মতম অসিদা উচেক লাংমৈ ওনখিবা মতাও অদু পাইরক্তুনা খোংনাং পান্বীদা তোংলরে। ময়ামগী মতৌ উবদা মহাকসু নুংঙাইদুনা উশাদা তোংলগা জগোয় শাবা হৌরক্লে। মতম অসিদা মাগী মরুপ অদু লাক্লগা ইতাওগী নমৈদগী নতু অমখক্তং শৎলগা থাদবীরকউ হায়রক্লবদা লাংমৈ ওল্লিবা মতাওনা মাগী মমৈদগী ফজরবা মতু অমা খল্লগা শৎতুনা মতাওগীদমক থাদরকই। মতাওনা থাদরকপা মতু অদু মকোক্তা থেৎলগা মানা মীয়াম মরক্তা জগোয় শাবা য়াওই। মাগী মকোক্তা থেৎলিবা ফজরবা লাংমৈ মতু অদু উবদা মী পূম্নমক্না পাম্নরবসু কনা অমত্তনা ফংবা ঙম্নখিদে। মমা পোক্তবীনা মঙোন্দা লাংমৈ মতু অদু কদায়দগীনো হংলক্লবদা নচানুপানা ওনবা উচেক লাংমৈনা থাদরকপনি খুম্মী। মহাক কদায়দা লৈবগে হংবদা আদগী খোংনাং পান্বী অসিগী উশাদা তোংদুনা কুম্মৈ য়েংলি হায়রক্লবদা মমা পোক্তবীনা খোংনাং পান্বী অদুগী মনাক তান্না চৎলগা মচানুপানা ওনবা উচেক লাংমৈ অদুদা নমৈ অমত্তা থাদবীরকউ মদু থেৎলগা জগোয় শাবা য়াওগে হায়রক্লে। মমা পোক্তবীগী ৱাদু তাবদা লাংমৈ ওল্লিবা মচানুপানা নমিৎ উইশিল্লু নয়া লাউনা কাথোকউ ঐগী ফজরবা ইতু অসি থাদবিরক্কে হায়রক্লে। মাগী ৱাদু থাজদুনা মমা পোক্তবী অদু খোংনাং মখাদা মমিৎ অনী উইশিল্লগা ময়া লাউনা কাথোক্তুনা লাংমৈ মতু থাদরকপা ঙাইদুনা লৈরে। লাংমৈ ওল্লিবা মচানুপানা মাগী মতুদি থাদরক্তনা মমা পোক্তবীগী ময়াদা মথি ফাইজিল্লল্লগা পাইখ্রে। মচানা ওনবা লাংমৈগী মথিনা ময়াদা হেক তাবদা খুদক্তা মমা পোক্তবীদু শিরে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মরিং জাতিগী কুমখাইবা, খেলহোংবা ময়ূম শঙ্গাবনচিংবা হরাও কুম্মৈ পূম্নমক্তা লাংমৈ মতু থেৎপা হৌনখি। অদুগা শিরবা মতমদসু হৈমাং পান্বীগী মসা নৎত্রগা মউনা লাংমৈ শারগা অশিবা মীগী মংলা থাবদা হাপনৈ।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

## ষ্টেটকী পাউ

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ ...

*লামায় ১গী মখা...* মতুংইন্না সুপ্রিম কোর্টতা জজ ওইনা চৎখ্রগদবা চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমারবু অরোইবা কায়নবগী থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরকখিবা পি ভি সঞ্জয়কুমারবু ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (এপোইন্টমেন্টস দিভিজন) না থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জজ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবদগী হায় কোর্ট অসিগী সিনিয়র মোষ্ট জজ ওইরিবা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমারনা সুপ্রিম কোর্টতা জজ ওইনা চার্জ লৌখিবগা হায় কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসকী থবক পুননবা খঙহল্লকখ্রে।

মসিগী মতাংদসু ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (এপোইন্টমেন্টস দিভিজন) গী মায়কৈদগী নোটিফিকেসন অমা থোরকখ্রে।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইরকখিবা অরিবম গুনেশ্বরবু ঙরাং থোকখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী নোটিফিকেসন অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবদগী মহাক্না হায় কোর্ট অসিগী জজ ওইবগী ৱাশক লৌবগী থৌরম থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ১০দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কোর্ট রুম নম্বর ১দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মহাকপু চীফ জষ্টিসকী থবক পুরগদবা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা ৱাশক লৌগনি হায়রি।

অমরোমদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা জজ ওইনা ৱাশক লৌরগদবা অরিবম গুনেশ্বরগী কায়না থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্ট রুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট ওইরিবী আর কে মেমচানা অরিবম গুনেশ্বরদা বুকে খুদোল তমখি। কায়না থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর নিলচন্দ্র, ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্র, কোর্ট অসিগী সিনিয়র সেরিষ্টাদার ভুবোন, এদভোকেট সলাম দেবানন্দ অমসুং অতৈ এদভোকেটশিং য়াওনা কোর্ট অসিগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

### কাংপোকপীগী একর ৫৯০দা ...

*লামায় ১গী মখা...* চন্দ্রমান, অমালেদরা, মহাবির, এল থোমজাং, মাংজোল, কোলপেচাং, লাংকিচোই, কৈথেলমানবী, চীংলৌবুং, গোপিবুং, কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ১৪, সাইকোটজাং, তুজাং অমসুং খোজাংনি হায়রি।

পোপি পান্বীশিং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াগী মনুংদা থারম্বগা মরী লৈননা কেস ১৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগী মথক্তা হৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা পোপি থারম্বা মীওই ২৪গী মথক্তসু কমপ্লেন্টশিং রেজিষ্টর তৌরে হায়খি। লোয়ননা কাংপোকপী রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা পোপি পান্বীশিং থারম্বদগী য়াস্থৎলক্লিবা অসিগী মতুংদা লেমহৌরিবা মফমশিংদসু মখা তানা পোপি পান্বীশিং য়াস্থৎপগী থবকশিং চত্থখিগনি অদুগা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগী এফ আই আর কেসশিং লৌখৎখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফোরেষ্ট দিভিজন অসিগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি পুলিসকা খূৎশম্নবদা নত্তনা চেন্নবশিংসু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা ফাননবা খূৎশম্নখিগনি হায়রি।

লোয়ননা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা মখল অমত্তদা পোপি পান্বীশিং থাবা এরিয়াশিং খঙদোক্লবা দ্রোন শীজিন্নদুনা সর্ভে পাঙথোক্লগনি। থবক অসি চাং নাইনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

লোয়ননা দি এফ ওনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা তৌখিবা আপীলদা ফোরেষ্টকী এরিয়াদা চঙশিল্লক্তুনা মখল অমত্তদা পোপি পান্বীশিং থারকপদা মীয়াম্না শরুক য়াবীগনু। অদুগা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা মখল অমত্তগী কলটিভেসনগী থবক চত্থবীগনু। হায়রিবা থৌওংশিং অসি ফোরেষ্ট এক্টকী মতুংইন্না ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌওংশিংনি হায়খি।

লোয়ননা করিগুম্বা ফোরেষ্ট এরিয়াগী মফমশিংদা মখা তানা পোপি পান্বীশিং থারম্বা থেংনরবদি মরী লৈনবা খুলশিংগী ভিলেজ চীফশিংগী মথক্তা মখা তানা কেস লৌখৎখিগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

### লৈশেম্বা সনাজাওবনা রেলৱে প্রোজেক্ট অমসুং ফেক...

*লামায় ১গী মখা...* পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজ, কম্যুনিকেসন অমদি ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী থৌরম পুবাবি মনিষ্টর অশ্বিনি ভাইসনোনা ফোঙদোকখিবদা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী কিলোমিটর ১১১গী অনৌবা রেল লাইন প্রোজেক্ট অসি ইম্ফালবু লৈবাক অসিগী রেলৱেগী নেটৱার্কতা শম্নহন্নবগীদমক লৌখৎখিবা প্রোজেক্টনি। প্রোজেক্ট অসিগী অচংবা শেনফমনা লুপা ক্রোর লিশীং ১৪,৩২৩নি। হৌখিবা কুমজা ২২গী মার্চকী ৩১ ফাওবা লুপা ক্রোর১২,৩৭১ চাদিং তৌখ্রে। অদুগা শেনবা চহী ২০২২-২৩গীদমক লুপা ক্রোর লিশীং ১গী আউটলে অমসু ফংহনখ্রে।

জিরিবামদগী খোংশাং ফাওবগী কিলোমিটর ৫৫গী সেক্সন অসি কম্মিসন লোইদুনা থবক পায়খৎখ্রে। রেলৱে প্রোজেক্টশিং মপূং ফানা লোইশিনবা হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎপা লেন্দ এক্যুজিসন, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী ক্লিয়ারেন্স, ইনফ্রিংজিং আউট য়ুটিলিটিশিং হোংদোক হোংজিন তৌবা, তোঙান তোঙানবা ওথোরিটিশিংদগী পীরক্কদবা ক্লিয়ারেন্সশিং, এরিয়া অদুগী জিললোজিকেল অমদি ত্রোপোগ্রাফিকেল কন্দিসনশিং, প্রোজেক্ট পায়খৎলিবা মফম অদুগী ওইবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম, অকক্লবা প্রোজেক্ট অদুগীদমক ক্লাইমেট কন্দিসননচিংবশিংনা মরম ওইরগা চহী অমদা লৈরিবা ৱার্কিং মন্থগী মশীংগুম্বা তোঙান তোঙানবা ফেক্টরশিং অদুগী মখা পোল্লি। হায়রিবা ফেক্টরশিং অসিনা প্রোজেক্টশিং মতম চানা মপূং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনবদা অপনবা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রোজেক্টশিং অসিগী থবক থৌরমশিং খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎনবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনরি। ইন্দিয়ন রেলৱেজ অসি পান ইন্দিয়া কেরেক্টর চেনবা ওর্গনাইজেসন অমনি। কেন্দিদেটশিংনা এদভর্টিজমেন্টগী মতুংইন্না লৈবাক পূম্বগী রেলৱে রিক্রুটিং এজেন্সী ওইরিবা রেলৱেজ রিক্রুটমেন্ট বোর্দ/ রেলৱেজ রিক্রুটমেন্ট সেল অমদা হেক্তা এপ্লাই তৌবদা ফ্রী ওইনা ভেকেন্সি খুদিংমক নেসনল বেসিস অমদা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়খি।

দোমিসাইল য়াওদনা এপ্লিকান্ট খুদিংমক এপ্লাই তৌহল্লি। রিজন য়েংদুনা কেন্দিদেটশিংদা প্রিফরেন্স নৎত্রগা রিলাক্সেসন পীবা লৈতে। মসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা এমপ্লোইমেন্টকী মতাংদা মীপূম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হয়বা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা প্রোভিজনশিং অদু ঙাক্তবা ওইগনি। ইন্দিয়ন রেলৱেজনা রিজনগী মতুংইন্না নৎত্রগা ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা ত্রেন সর্ভিস ওপরেট তৌদে। অদুমকপু বন্দে ভারত এক্সপ্রেস ত্রেন সর্ভিস য়াওনা ত্রেন সর্ভিস হৌদোকপগী প্রোসেস অসি ওপরেসনেল ফিজিবিলিটি, রিসোর্স এভাইলেবিলিটি, ত্রাফিক জষ্টিফিকেসননচিংবশিংগী মতুংইন্না হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোসেস অমনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা শাশিন্নবা আধার কার্দশিংগী মতাংদা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি) রজিবচন্দ্র সেখরনা ফোঙদোকখিবদা আধার কার্দকী সিষ্টম অসি অদুককী মতিক সিক্যুর ওইবা সিষ্টমনি। দিজিটেল আইদেন্টিটি অসি আধার এক্ট, ২০১৬কী সেক্সন ৩গী মখাদা নম্বর ওইনা ইন্দিয়াগী ইলিজিবল ওইবা মীওই খুদিংমক্তা পীরি। এক্ট অসিগী সেক্সন ৪ (৩)না আধার নম্বর পায়বা মীওই খুদিংমক মশাগী আইদেন্টিটি অদু শেমগদবনি। মশাগী আধার নম্বর অদু আউথেন্টিকেসন নৎত্রগা ওফ লাইন ভেরিফিকেসন তৌদুনা ভোলুন্টরি ফিজিকেল নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক ওইবা মওংদা শীজিন্নবা য়াই হায়বা য়াওরি। দিজিটেল আইদেন্টিটি নৎত্রগা আধার অসি ওনলাইন নৎত্রগা ওফলাইনগী মেকানিজম অমগী খূত্থাংদা আধার লেট্টর/ঈ-আধার/আধার পি বি সী কার্দতা য়াওরিবা ক্যু আর কোদ অদু স্কেন তৌদুনা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা লোয়ননা ভেরিফাই তৌই। হায়রিবা সর্ভিস অসি য়ু আই দি এ আই ৱেবসাইট অমদি এম আধার এপতা ফংই। মখা তানা অদুগুম্বা শাশিন্নবা আধার কার্দকী ইস্যুগা মরী লৈননা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংদা রিপোর্ট লাক্লবদি চেন্নরিবশিং অদু আই পি সী অমদি অতোপ্পা ষ্টেচ্যুদশিংগী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু মিনিষ্টরনা সভাদা পাউখুম ওইনা পীখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।